# অৱাবা ময়ামগী মরক্তা ঙাইবমুক ৱাবা লৈতে হায়নরিবনি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

“লৈরাংবী! (অশেংবা মমিং নত্তে) মীওইবা ঐখোয়না ৱাদৈ ৱাবসি করিনো?”

“মী ঙাইবনি।”

“কনা মী ঙাইবনো”

“ঐখোয় হরে ঙাইবনি” ইরায় লায়না খুমদোরকই। মথক থোংবা ঐখোয়গসে অদুক হাক্লা লূম্না লৌদবজাৎনি। মতমদুদা কোয়নবা নুপাশিংবু ‘নোয় হরে, ঐখোয় হরে’ হায়রগসু অদুম খঙনৈ।

মফমদি লোৎশিল্লগে, অশেংবা হায়ররোই। ঙসিদগী চহী নিফুমুক্কী মমাঙগী ৱারীনি। ঐখোয় লৈশাবী ঙাক্তমক লৈবগী হৌনবী মওং-মওংগী নোক্লীংবা ফাগি-ফরাংগী থবক থৌওংশিং খরা তোয়না তৌগল্লি। ঐখোয়গী ইরক্তা নৌনা তিল্লবা লৈশাবী জুনিয়র অমগী ৱারীনি। নুংথিলদুদা মাগী কোয়নবা নুপাদু মানা য়াম্না ৱানা ঙাইবদু ঐখোয় খরনা হেক উখিবনি। ঐখোয়গী লৈফমদা লৈত্রিঙৈ মমাঙ নুমিৎশিংদা মাদু মাগী হরেদুগা ঙাইথোক ঙাইশিন তৌনরগা তোয়না চৎমিন্নবদু উরবনি। ঐখোয়না মখোয় অনীবু ‘রোমিও-জুলিয়েৎ’ হায়রগা অদুম খঙনৈ। মহাক্লা অহানবা লাকপা নুমিৎকী নুমিদাংদুদা শকখঙ মায়খঙনবা ওইনা ঙাইহাক পুন্দুনা ৱাহং পাউহং চথৈ। মদুদা ঐনা হংগে য়াওনা হংবা মতমদা খুল্লকখিবা পাউখুম্লি। নুমিত্তুদা মশাবী মাঞ্জ ঙাইবদা অসুক্কী মতিক ৱাখি হায়বদু উৎপনি।

‘ঙাইবা’ হায়বসি মতাং মতাংগী খূৎঙাই খূৎঙাইনা পুবজাৎনি। পাখং মতম লৈশাবী মতম য়ৌরকপা ঙাইবদা হৈ লাউখৈ ৱানবসু য়াওদবা নত্তে। ৱাখল তাদ্রিবা অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী ৱানি পোৎলোই শেৎনীংবগী চাং হেনমনখিবনা লুহোংবগী চহী মতাং মতমদু ঙাইঙমদদুনা শন্থিচেগী উপু নৎত্রগা পোলাং নৎত্রগা থুমোক শেগায়বনা পোৎলোয় শারগা লুহোংবী শান্নরিপোৎনি। অতোপ্পা অমনা পূম্নমক তৌরমগনি হায়বদি নৎচদে, চহী নম্বো পোনীংবনা পৃক-পৃক পাখৎপা খরসু অদুম ময়াওই। করিগুম্বা মতমদা লুহোং-খোংদোং, শোরাৎনচিংবা থৌরমদা ইকায় ইকি ৱাংমা লানবা অমা অনীসু অদুম উবা মফংই। মদু উরগা ইথন্তা হংজৈ, “অহল ওইবা ঙাইঙমদবা হায়বসি মোংফম য়ৌবা ঙাইঙমদবা ওইফম থোক্তব্রা?”

মেত্রিক এগজাম হায়দোকপা ঙাইবগী খূৎৱাদুদি হায় হায়! ঐখোয়গী মতমদুদি হৌজিক্কানগী ইন্টরনেট-নোংটরনেট, ফোন-নোংকাসে লৈবসু নত্তেদা। ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী নুমিদাং পুং তরেৎ মখায়গী পাউদা রিজল্ট লাউথোকখ্রে। মদুদগী ইশা পূম্বসি চেঙ খৈবগুম নীকখৎপসিনা অয়ূক য়ৌরকপদদি পাউচে য়ৌরক্লনি খনবদা তরং-মালং চৎনবজাৎনি। অয়ূক ঙন্তাদুদা ইবুং-ইপ্বা, ইতোনশিংনা কৈথেলদা পাউচে য়ৌরকপা ঙাইবা চৎখ্রিঙৈদা ফমুংদা কূল্লগা লৈবদুদি, নীংশিংলুরগা নোক্লীংই। মনবদগী মল্লবা ফিজেৎ-ফিগায় ফিমন্না মরোন মরোন ফোৎচিল্লগা শেম্বা চৈরাউবা অমদগী অমা য়ৌদ্রিবা ফাওবা শুদোক চামথোকপীদ্রবা মৈখু মনম চুশিনখ্রবা পোম্ফিদুনা নম্থরগা শ্বর হোনবা ঙম্বোই ঙমদবোই এগজাম রিজিল্ট ঙাইবগী খূৎৱাদুসু ৱাবনিকো! থবক খনবগী ইন্টরভিয়ু য়াওখ্রগা রিজল্ট লাউথোকপা ঙাইবসু মিহুলকাসে ধোন য়ৈবজাৎনি। ইশা ইশামক নৎত্রগা ঐগী ইমা-ইপা, ইচিন-ইনাও, ইমুং-মনুংগী মীনা কেন্দিদেট ওইদ্রসু ভোট হায়দোকপগী নুমিৎসিমসু ঙাইবা ৱাইকো? ঐ ঐনা ফরে খন্না ভোট থাদখিবা মীদুগী মরাইবক্তু খঙনীংবনা খ্রো-খ্রো খোত্তুনা ঙাইনৈ হায়বা য়াই। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা দেল্লী, অসাম, বেঙ্গল, বিহার, কর্ণাটকানচিংবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ইলেক্সন হায়দোকপা ঙাইবদা তৌগদবা থৌ কাউনবা ময়াম অমসু য়াওরিবনি। ঙাইবদা খোয়শাউনবদি পুক লান্নল্লবা মতমদা চাবা কৌবা নাইদবা চাক্লি।

অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা য়াওশঙ লোইবা হেক নোংঙানবগা মথং য়াওশঙ ঙাইবগী অৱাবনা নাক্ক থেংবা, ফি মুনবদা ফংলক্কদবা শেলগী ময়াইনা ৱাহনবা, অহল লমনশিংনা হোলি চৎপগী, শাবী-শানৌশিংগীনা থাবল চোংবগী... মাগী-মাগী খূৎঙাই খূৎঙাইগী অৱাবনি। মতম অমদা পাখঙনা লৈশাবীদা চিঠি পীরগা কোয়বগী চৎনবী লৈরিঙৈদা য়াম্না ৱানা লেঞ্জবা পাখঙ ময়াম অমসু য়াওদবা নত্তে। মতমদুগী লৈশাবীশিংদি নুংশিরসু পাল্লসু অহানবা চিঠি পাউখুমদা পাখঙ পূক্লীং পেন্নবা ইশানা য়ারে কোক হেক হায়বা ঙমজপোৎ নত্তে। মদু হেক হায়রুবদা মমল লৈহন্দে হাজিলমল্লি, মীনা উশিৎলোই হায়না ঙাঙবীগদবা শৌ শাবীনি। মীনা ঙাঙনবদি থম্বু থমখো, লৈশাবী মশানসু ইকায়বা ফাওই। অহানবা চিঠিগী পাউখুমদা কোচি পিকত্রু অমা কক লৌরগা ককঙাওনহল্লনি পাখঙদু। অসুম্না মথং মথং অনীরক অহুল্লক্তা য়ারে হায়বগী ইঙ্গিৎ য়াওবা চিঠিনি হনখিদৌরিসি। চিঠি পীথোক-পীশিন, হন্দোক-হঞ্জিন্দা থা খরদি পাখঙ থম্মোয় লাঙতক্লনা ঙাইহনবজাৎনি। মীদা খরা লুরপ লৈবী লৈশাবী খোয়দাজরুবা পাখঙশিংদি থাশিংদা নত্তে, চহী মশীংদা ওইনা ঙাইবনি। মদুদনি ঈশৈদা করিদা ‘নোঙ্গৌবীনা লাইজ ঙাইবগুম’ হায়না শৈথানরিবসি।

হন্দক ইরমদমগী মীয়াম্না ৱানা খৌরাংনা ঙাইজবশিংগী মনুংদা মতিক ময়াই লৈ হায়না থাজনরিবা ৱাকচীংগী নোংসু পনবা য়াই। অহল-লমনশিংনা তাকপীবা ঐখোয়গী থাজনবীনি - “ৱাকচীং থাদা নোং খজিক্তং ওইরবসু খিক্তবা তৌহৈদে অদুগা লৈখোম থোক্লা তাবসু তাহৈদে” কয়াদা লুখ্রবা থাজনবীনো। খিক্তফদবা নোংলিক্তু খিল্লক্কদ্রা হায়না নোংদোন অতিয়াদা মীৎফম থমদুনা নোং মাবু ঙাইনা ঙাইনা ৱাকচীং থা লোইখ্রে। কুমশি কুমদি ইঙা অনী পানবা মরম্না জন্যুৱারী লোইদ্রিফাওবদি ৱাকচীংগী মমি লৈবগী ওইবসু য়াই হায়না য়াম্না খঙ হৈবগী মওংদা ৱাখলনা শেরান তুরান শাগৎলুই। মসিমসু হৌখ্রে, নোংদি কদাইদা লোত্তুনা লৈখ্রবনো খঙদে। মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও থোক্কদৌরেবু হায়বনে, ইরৈবাকসিনা মওং অমা তৌবগা করিবু থোক্লগবা হায়না ৱাখলদি নীংকোক নীংকোককই।

অকি তুজুংবা থৌদোক ৱাথোক্লা মরম ওইদুনা পি আর থল্লকখিবসু চহী অমা ফানীং ফামাঙ তৌরকপদদি ঐখোয়গী মীহুৎনা শেমজবা লৈঙাক পাম্নরক্লেদো। শেল্লবা য়াই শেল্লবা য়াই, অদুনা অদানা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়াই হায়না সোশল মীদিয়াদা করিদা পঙহায় হেক হায়নরকই। মদু ঙাইবদা চোকথবা ময়াম অমসু য়াওনরিবনি। অদুবু হন্দক্তি শেল্লে। ঙাইজমন মাঙদবা ময়াম অমা য়াওনবা তাবনি। মতুংদা করি ওইরকপা মদুসু ঙাইবা তাবনি। হৌজিক্কী মতমসিদা ঙাইবগী অৱাবা চৈথেং খরা হেন্না হকথেংনরিবসি কুমজা ২০২৩গী মেদগী ঙসি ফাওবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা হিংলিবা লাঞ্জেল্লকপশিংনি। মীৎকুপ খুদিং নুংহীক্লরবা থম্মোয়না শোল্লমগনি- “ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরমদম ইয়ূমদা হনগদবা নুমিত্তু কয়াম কুইনা ঙাইখিগদবা!” হৌজিক্তি ঐখোয়গী মীহুৎনা শেমজবা লৈঙাক্লা চহী অমরোমগী মতমসিদা আই দি পিশিংবু ময়ূম ময়ূমদা মনীং তম্না হিংজবগী খুদোংচাবা ফংহনবীদুনা ঙাইবগী অৱাবা তাঙ্কক্তু লোইশিনহনখ্রগনি হায়বগীঅচেৎপা থাজবদু থমজগে।? ●

# হাৎপা য়াবগী হাৎলিবনি কৈনো

- নবকুমার ওইনা -

লীলা নুংঙাইরবদি য়েংলিবা মীয়ামসু নোকচরিবনি, শোয়বদা নোকপদি খান্ববু য়াদ্রিবনি। ঐখোয়না পুৱারী শায়গুপ শায়রগা নৈনবদা মী-মীদুগী ওইনা (নিংথৌ ওইরবসু) শাজৎ নৈনবগী মহুত্তা কাঙলূপ-কাঙলূপকী হোংলক্লিবসি ওইনা নৈনবনা ফজগদৌবা মাল্লক্লি। মদু খঙদবদগী , মমাঙথক্তা চেকশিলহৌদবদগী হৌজিক্তি ঈথনিক ইক্লিপস থোক্লে। উরিবা মৈঙাল খরসিদগী খঙবা ঙম্বা খঙলবসু তঙ্খায় অমদি অমম্বদা লৈরিবনি। কনানা করম্না ওইহল্লকখ্রিবনো হায়বসি মরোল নায়না ননশিনখ্রবনিনা লাংকপ-লাংকপ য়েংবনদি উবা ময়েক শেংবা ঙল্লরোই। খুল অমগা খুল অমগা মিৎয়েং মান্নদ্রে, মী অমগা মী অমগসু মিৎয়েং মান্নদ্রে, শাগৈ অমগা শাগৈ অমগসু মিৎয়েং মান্নদ্রে। অসি য়ৌনা শোকচিল্লবা ফাওবদা হুন্নবা-কাউনবা তোকপা নত্তে। মফম খুদিংমক্তনি। হাৎনবগী থাক য়ৌরবনি, কুম্মৈসি য়েংলিবা মীওইশিংগীদি য়াম্না নুংঙাইবা মতাংনি, নোক্লম্বা য়ারিবনি।

বোল-থোম্বী শান্নবদা শগোল শারিবা মাতনা ৱাজবা তাবদুনি। মিংচত্তা ঙাওবা খরা থোক্লল্লগা লৈবাক শেম্বা ঙল্লগনি হায়বদি লৈতে। ঙসিগী মীয়ামসিনা মমাঙঙৈগী অৱাবা নংখিবা পুৱারীশিং নীংশিংনরগা নুংঙাইরিবসিনা করিগীনো? অদুগসু লমদমসিগী মীয়ামদি মীখা পোনবা পামদবনি হায়রসু মীখা পোন্দুনা লৈরিবা অসিমক্তদা খঙদ্রবদি মোন্দ্রং তারক্কদৌরিবনি। ষণ শেন্দুনা লৈগদৌবদুনা শগোল কাংজৈ য়াওগনিদো হায়দুনা থোক্লল্লবদবু করি লীলা ওইগদৌরিবনো হায়বা। লৈবাক নীংবদবু শেল ফংগনি হায়বদি লৈতবনি। লায়রবনা লৈবাক নীংবদা শিবসু য়াওরিবনি, ইনাক খুনবনা য়াওবদনা শেলসু ফংবা, মন্ত্রিসু ওইবা, মিংচৎসু ফংলিবনি। তৌবতবু লৈবাক্তুদি মুৎপসু য়াওরিবনি। অপঙবদা অপঙবা শিবসি মী উশিত্তবনি, লাল্লি হায়না লৌগদৌবনি। পঙই হায়বদা শাওরগনা পঙবদু চুল্লবনি, পঙলিবনি। হন্দক্তা শাওবা য়াওনখ্রিবদুনি। মথক্তা শেম্বাং পাইবা য়াদবা ‘মোইরাং-শা’ হায়দুগুম্বনি। পুল্লগা থমখ্রবনি। লাইদা নিবা হায়বসি অপঙবতনা তৌগদৌবা থবক্লি। পঙই হায়রিবনি, নীংবদি য়াইনা, নীংনরিবনি। থাংজগী নুমিদাং ফাওবা লাল্লবসু নোংমাইজিংগী অয়ূক্তদি ঙাকপীয়ু হায়জরগা লোইরে, ৱাখল নুংঙাইনবনি অসিনি। লাইগী নত্তে, খুলদগী তাম্থোকপা, থোঙ লোলশিল্লগা থাও হৈজিন্দুনা মৈ থাবা, ফূবদা শিবা ময়ামসি হাৎপা য়াবগী হাৎনরকইবা নৎত্রবরা? পেরুক চাবা খম্বনা কনবা অসুম হেনগৎলকপা, মচিন থীবা নোংবান্না কৈনা চারগা শিবা অদুনি থাংজিংগী ৱারী হায়রিসে। খম্বা-থোইবী মতোম্মতা শিহল্লি, রোমিও-জুলিয়েট মতোম্মতা শিহল্লি, হৌজিক্তি রোমিও হাৎকৎলক্লিবনি। মসিবু ইথনিক ইক্লিপস ওইনা উবসি লাল্লিবনি, হায়বদি লাই মান্নদবগীদি নত্তে, পাউথংনবগী ৱাতনি। হৌখিবা পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা লান তাশিল্লকপসু নত্তে। অনীশুবা অৱা-লান হায়বসু য়ারবনি, হান্নগী ৱারীগা শম্নগনি হায়বসু লৈতে। হিংফম লৈতবগী তৌদবা য়াদে খল্লিবা কাঙবুগী লাননি। মদুনা মীগী ৱানি, শোয়রিবনা ঙাকথোকপনি।

অৱা লান লোইরগা মোইরাং লৈবাক্কী ফম্নাইবশিং কৌখৎলগা মঙক কল্লগা হাৎখিবা, অৱা ঙাকথোক্লগা থমদে হায়বগীনি হায়গনি। ঙসিসু অৱা চঙলকপা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মী কয়া থৱায় থারি। আই এন এ য়াওরকই হায়রবসু ইন্দিয়ানা কনবীদ্রে। মোইরাং লৈবাক হায়রম্বদুগী মরাইবক লোইশিল্লক্লি। হৌজিক্তি মোইরাং লৈবাক হায়বদু অৱাদগী কুকিনা লৌশিনবা লোইশিল্লক্লে হায়বা য়ারেদনা। লৈরমদবা কুকিনা লৈবাক শেমগৎলকই, লৈরম্বা লৈঙাক্লা মূখৎখ্রিবনি; মোইরাং লৈবাক, খুমন লৈবাক হায়বসি রেদিওদা তারিবসি মঙায়রে। খম্বা-থোইবী ৱারীদুনা মণিপুরী হায়বা কাঙবুনা লৌহৌরে, ফজখ্রবা লীলানি। দিরেক্টরদি খঙদ্রে, ফি অমনবদুগী ৱারীদি মরক মরক্তা তাবা ফংনরি। নহান নোংমদি ধোলোক য়ৈরগা ঈশৈ শকপদা ইংলিসকাক য়াম্না য়াওবদু তাজরে। নুংঙাইবসিদি, ঙকপসিদি, নোক্লিংলকপসিদি।

ফজখ্রবা ৱারী-লাইরিক ময়ামসিবু কনাগী ওইহৌগদৌরিবনো য়োল্লগা চাবা লোইশিল্লককদৌরে খল্লি। ১৭০৯দগী চথরকপা লান্দুসু লোইদ্রিবরা খল্লি। মৈতৈ হায়রদি নিংথৌ হায়, মণিপুর হায়রদি মহারাজা হায়রি। চীংগী নিংথৌ লৈ, মৈতৈগীসু নিংথৌ হায়, শাজৎ মান্নদে। চীংগীদি নিংথৌগী লম লৈরি; মৈতৈ নিংথৌ, মোইরাং নিংথৌগীদি লম লৈজদ্রে। নিংথৌদগী মহারাজ কাবসি লান কয়া ঙল্লগা কাগদৌবনো, লৈবাক কয়া লৌশিল্লগা কাগদৌবনো? চীংগীসু মহারাজা কৌবা য়াবা য়াওবা মাল্লক্লি। হায়বদি, শীজিন্নরিবা লৈঙাক্লোনসি য়ুনিফোর্ম ওইরক্তবদুনি। মৈতৈনা লৈরম্মী হায়রিবা লমদমদুবু কদায়দনো? মণিপুরদি মৈতৈতগীদি নত্তে হায়বসি হেক-হেক কাউবা মাল্লি; নাগাগী কুকিগী য়েম্থোক্লরিবা উরিবনি-তারিবনি। খঙগদৌবা মশাগী মরমদম খঙদবা য়াওরক্লিবা অসিদি লায়না ওইনা নারগা লৈবা কুইরবনি। সো-কোল মৈতৈনা করি ওইনা খঙলিবগে? ৱারী-ৱাতায়দা ফাওবা মৈতৈ হায়না শীজিন্নবদা মফম চাদবা ময়াম য়াওজরি, অয়াম্বনা মণিপুরী হায়না শীজিন্নরবনি। লোল অসিসু মণিপুরী কৌরবনি, মৈতৈলোলবু কদায়দা লৈখ্রবগে? অদুম মুৎখ্রবনি হায়রগনি। হাৎপা য়াবগী হাৎখ্রবনি, শিফম থোকপগীদুম শিজখ্রবনি। ঐখোয়গী চাওখৎপসিদি করিবু হায়রুরনি, থিংবা ঙম্বদি নৎত্রে। খন্থনীঙাই ওইরিবদি করম্বা ৱারেপ্না, কনা-কনাগী ৱারেপ্না মৈতৈলোল মুথৎখিবনো হায়বসি খঙনদবা অসিনি। লীলা-কলা ইবা, শৈরেং-ৱারেং ইবশিংনা লোল অমা মুথৎপা ঙল্লগদ্রা? ফোংনা লেপ্নফম থোকই, ‘নঙনা-নঙনা পঙবগী পঙথা-থাজনরগা ঐবুসু থাজৌ হায়বসি পঙবগীরা নৎত্রগা মী উশিত্তবা অদুগীরা?” হংনরক্কদৌরি। লাইনীংসু অদুমঙায়, ‘নঙগী লাইনীংদু ঐবুসু থাজৌ হায়রিব্রা?’ হংনফম থোক্তব্রা? ৱা ঙাঙবদা ঙাঙনরিবা ময়াম নাপল কানরি, ৱা ঙাঙথোক্তবশিংগী নাপল ৱাংলিবা অদুদি উনদ্রিবা মাল্লি। লান থোক্লবদি কোয়চেন চেন্নৈ, কনানা থোকহল্লিবনো খঙনদ্রিবনি। অপঙবা খরনা থোকহনবনি হায়গনি, লৈঙাক্লোয় খরনা থোকহনবনিসু হায়বা য়াওনরিবনি। মখোয়দি লান য়াওজবতনি, শিনবদি মখোয়না শিনবা ওইদ্রিবনি। "There are certainly cases where states use their power to kill their own citizens" Sapiens দা য়াওবনি। য়ূমথংনবা লৈবাক খরদা লাইনীং মান্নদবগী হাৎনরিবসি কনানা থৌজিল্লিবনো হায়বা ৱাহং লাকই। লমদম অসিদসু শোয়দবীদা য়ৌরকপা য়ারি, থৌশিল মান্নরক্লি। সর্ভাইবেল ওফ ফিটেষ্ট মাল্লক্লিবসি মী হায়বা শাসি মালেমদা লৈখা তানবা থৌওং ওইগদৌরিবনি। লাইনীং হায়বসিদবু করি অমুক হায়নীংঙাই লৈরিবগে? তৌবতবু ঐগী লাইনীংদু মীপূম খুদিংদা চৎলু হায়রবদি লাইনীং কৌবা য়াদ্রে, খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরবনি হায়বা খঙনরবা ৱানি। অদুনবু চাওখৎপা লৈবাকশিংদা লাইগী ৱা ঙাঙনদ্রবনি। মী খৎনবা য়াবা ৱানিনা পাউচেদা ফাওবা ফোঙনদ্রবনি। লাইগী ৱা ঙাঙবা হাৎলবনি।

হাৎনবসি কলচর ওইরিবনি। কলচরদা চৎনবী য়াওরি, চৎনবী খুদিং কলচরদি ওইদে, হুরানবসু কলচরদা য়াওহৌরি। শেল পংথাদা থাবা অসিদি কলচর নত্তে, অঙাও অফৈ খরনা তৌজবনি, অদুম তোক্লখিনি। অঙাওবশিংনা কলচর অমগী মপু ওইগনি হায়বসু লৈতে। কলচর অমা মাল্লবা নাপল অসিদি সাইকোপেথোলোজিকেল লায়না ওইনা লৌগনি খল্লি। নাপলসি অফবদা ওম্থোক্লগা শীজিন্নরবনি ALTRUISM ওইনা লৌরবনি। মাগী মাগী খাওদা য়াওরিবা মোবাইলশিং অসি কলচরনি হায়বা য়ারব্রা? লাইনীংগুম্বনি মীপূম খুদিংদা ফাওজিনবদি য়াদে, ইলেক্ত্রোনিক অদুদি কলচর ওইরবনি হায়গনি। হৱায় চানা অঙৌবা চাবা ফাওবা কলচর তৌরদরা? হায়বদি অমগী কলচরদু অমগীদি কলচর ওইদবা লৈ। লাইনীং হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী কলচর ওইদ্রে, লৌথোক্লখ্রে হায়বদুনি। য়াথিন পায়াগুম্না ম্যুজিয়মদা থম্নখিবা য়াওরবনি। মী হাৎনবসিদি লাইনীং খুদিংমক্লা শৌগৎনরিবা অমনি, ফজখ্রবা কলচর অমনি, তোক্লসি হায়বা য়ানদ্রিবনি। কাঙলূপ খুদিংমক্লা য়ারিবা, প্রেক্টিস তৌরিবা, মখা চথখিগদৌরিবা মমল ৱাংখ্রবা কলচরনি। মালোম পূম্বদা শন্দোক্তুনা লৈরিবা, মীওইবগী মতিক মঙম থাগৎপদা য়াওরিবা লো অমনি। খ্বাইদগী য়াম্না মী হাৎনরিবদি লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবা লানশিংনা ওইরি। লাইনীংনা মী অনীখক্তা ওইরবসু হাৎনহল্লি, মী হাৎনহন্নবা লাইনীংনা ইনশিনবা মাল্লিবসিগী মহুৎ শিন্নবা অমা লৈত্রি, লাইনীং লৈরিমখৈ হাৎনখিগনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ‘ডা. চোংথাম তোম্বী অমদি মাগী পূন্সি পারুবদা’

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

হৌখিবা জন্যুৱারী ২১, ২০২৬তা হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিদা ডা. চোংথাম তোম্বী অমদি মাগী পূন্সি হায়বা আর্টিকল অমা পাবা ফংজখি, য়াম্না নুংঙাইজখি, খঙলমদবা খরগা খঙবগী তাঞ্জাসু ফংজখি মসিগীদমক অইবা রনাপ্রতাপ য়ূম্নামবু থাগৎচরি। মীয়ামগীদমক কখোক্লবা, মীয়ামগীদমক অফবা থবক য়াম্না তৌবা মীবু ফৈ হায়বসি মখোয়গী তৌবীমল মশক খঙবীবনি। মসি অচম্বা মনা মখল অমনি। মসিদগী ঐখোয়সু অফবা থবক তৌনীংহনগনি।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী ওইনা এম ও অহানবা ওইবতা নত্তনা দেপ্যুটি দিরেক্টর ফাওবা ওইরম্বা অসি তাঙনা থোকপা অমনি। অনা লোয়শঙলোমদা লমদম অসিগী লময়ানবনি। মতম পূম্বদা মোমোন তৌবা, কোইদানবা মায়থোঙ, ঈং-তপ্পা, মীওক-মীচান ফবা, কাঙলূপ-ফূরুপ খায়দবা, মীপূম খুদিংমক মচিন মনাও, মরুপ মপাং ওইনা নুংশিনা খনবা ঙম্বা থম্মোয় পানবগা লোয়ননা মহাক হেক উবদা পাক চাউরবা ময়াং ইম্ফাল লমদমসি শান্তিগী লমদমনি নীংশিংহল্লিবা মীওই অমনি। লৈমিন্নরিবা লমদম অসোমগী পাঙলশিংনসু ডা. তোম্বীগা য়াম্না নক্লা তিন্নরকই।

পাউবিতেক, ইরোং, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন, হৈবোংখোং, লৌকোক, খেলাখোং, ফৌবাকচাও, কোনুমানচিংবালমদমসিগী অনাবা পেসেন্টশিংনা ডা. তোম্বীদা য়াম্না পাম্না লায়েংনরকই। লায়েংমন য়াম্না তানা লৌবতা নত্তনা শেল ফরক তাবা পেসেন্টশিং য়াওরকপদা য়ারে-য়ারে হায়দুনা নোকফেৎ তৌদুনা লৈহৌবা ঙম্বা ডাক্তরনি। অসুম্না মীতৈ খক্তা নত্তনা পাঙলশিংগসু য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরকই। ডাক্তর তোম্বী লমচৎ-শাজৎ, মায়থোঙ, ৱাখল, থম্মোয় ফজবতা নত্তনা খূৎইশু য়াম্নাফজৈ। নোংমা (খরা কুইরে) নুপী ২ ঐগী ফার্মাসিদা চঙলকই। নুপী অমনা হীদাক ইবা চেদু থাদরকই, নুপী অমদুনা চে য়াওদনা হীদাক পীননবা হায়রকই। ঐনা চে য়াওদ্রা হংবদা মাম্মা তোম্বীনা ইবা হীদাক্তি পাবা থোক্তে অদুনা চিন্না হায়বনি হায়রকই। ঐনা য়েংবদসু মানা হায়বগা চুম্নরম্মী। পেসেন্ট কাঙবু অয়াম্বনা ডাক্তরগী খূৎইসি পাবা থোক্তে হায়নৈ।

অদুবু ডাক্তর তোম্বীগী খূৎই অসিমদি পাবা লায়না ঙম্নে। অসুম্না ময়াং ইম্ফালগী ডাক্তর তোম্বীদসু পেসেন্ট কাঙবুনা মাম্মা, তাদা হায়দুনা মরী-মতা, মচিন-মনাওগুম্না খল্লগা লায়েংনরকই। মসিনা অনাবা ফবগী চাংসু ৱাংখিবরা খল্লি। মতমসিগী অনা লায়েংগী শিনফমদা লৈবিরিবশিংনা ময়াং ইম্ফালগী ডা. তোম্বীদগী করিগুম্বা খরদি লৌশিন্নীংঙাই লৈবা য়াই খল্লি।

অসুম্না মতিক মগুণ কয়ানা লৈতেংলবা চোকথবা নাইদনা অনাবশিংগী থৌগল তৌবিরিবা ডাক্তর অসি মশাগী চহী ৮০ শুরে হায়বসি নুংঙাইতবা অমনি। অদুবু চহী মতাং অসি ফাওবদা ইমুং মনুংগী লোয়নবীগী (অনাবগী) অতৈ অতৈ অনা অয়েক, অৱা অনা কয়াদা মরী-মতা, মরুপ-মপাংশিং লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইদা মীনুংশিগা লোয়ননা কখোকখিবশিং অদুদি চহী ১৬০ রোম পূন্সিবা মী অমনসু ঙমদবা য়াই।

লেমহৌরিবা পূন্সিদা পামজবা অনাবশিংগী থৌগল লৈত-লায়রবশিংগী মরুপ-মপাংশিংগী কাঙলূপ-ফূরুপ খায়দনা মীওইবা খুন্নাইগী ঙমজবা মতেং পাংদুনা, ইচা-ইশুশিং মরুপ-মপাংশিংগা নুংশিননা পূন্সি নুংশাংনা তাইবঙ ফম্পাক অসিদা লৈবিখিনবা তাইবঙ শেম্বা মপুদা অইবনা থম্মোয় শেংনা থৌনিজরি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী মতম মাঙহন্দনা য়াম্না চেকশিন্না মহৈ-মশিং তমদুনা অচঙবা (মীয়ামদা কান্নবা) মী অমা ওইনবা হোৎনরকখিবা ময়াং ইম্ফাল ডাক্তর তোম্বীগী শাংখ্রবা ৱারীবু মতেক অসিদা তেনশিনখিবা অসি অইবগী থম্মোয়না পেনবদি নত্তে।

**অদোমগী - জৈনুল লাবুদিন নোংজাই**
**ফৌবাকচাও**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩১গী ৱাহং

১) “দিমান্দ লেটর” হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি করম্বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “মানা লৈরিবা মফম অদুগী অচিকপদু থুগাইদুনা চঙশিল্লক্লিবা মতৌ অদু রাজুনা ওক্লম্মী।”

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) “মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তাঙনা ফংবা সাহিত্যগী মচল অমা হায়বা তারবদি লিটরেরি ক্রিটিসিজমনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে।”

ৱাহৈ পরেং অসি ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অমদা অইবা অসিগী পূক্লিং ৱা হায়বদুদা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) “ঐগী পীল্লবা আশাগী পান্দোং
ঐগী চল্লবা আশাগী লৈয়োন
য়েন্নৌ য়েন্নিং হুন্দবা কুইরে
পূক্লিং বসন্ত লাক্তবা কুইরে।”
লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা কনানো? করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) “আয়ুশনা মাগী ছাইকল রেলী অদু ইন্থোক্লক্তুনা মমান্নবা রোজেনখোয়দা কোয়রুগদবগী থোক্লক্লি।”

ৱাহৈ পরেং অসি উপন্যাসকী লাইরিক অমগী অহানবা শরুক্তগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।